## পি দি এস কী চেঙ চিংথোক্লবা হৌরে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (এস এন এস) ঃ

মণিপুরদা কোভিদ–১৯ গী লায়চৎ শন্দোরকপা থিংনবগীদমক্তা লোকদাউন চখরিঙৈদো মীয়ামদা চান থক্লবা পোৎলম মরু ওইনা চেঙ ৰাৎতনা ফঙহন্নবগী পান্দমদা প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যান অন্ন যোজনগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংগী য়ূমথোঙ খুদিংদা পি দি এস কী চান থক্লবা পোৎলম য়েন্থোক্লবা থৌরাং তৌখ্রে। থৌরাং অসিগী মখাদা চেঙ চিং থোক্লবসু হৌখ্রে।

ঙসি থৌরাং অসিগী মখাদা তমেং লোংগী ওইনা চেঙ ক্যুইন্টন ১৪.৩৫, তামৈ সব দিভিজনগী ওইনা ক্যুইন্টন ১১৮২ অমদি নুংবা সব দিভিজনগী ওইনা ক্যুইন্টন ৭৫ অমদি তাওসেম সব দিভিজনগী ক্যুইন্টন ৭০০ চিংথোকখ্রে।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পি এম জি কে এ ৰাই (এ এ ৰাই) গী চেঙ ক্যুইন্টন ৯১.০০ অমদি পি এস জি কে এ ৰাই গী ওইনা চেঙ ক্যুইন্টন ১৩৭.৫৭ চিং থোকখ্রে।

ইম্ফাল ৰেষ্টকী কোন্থৌজম এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়েন্সিগী চেঙ ক্যুইন্টন ৯০৭.৯৩ অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই কনষ্টিট্যুয়েন্সিগী চেঙ ক্যুইন্টন ৮০১.১ ঙসি চিংথোক্লখ্রে।

বিষ্ণুপুর, সেনাপতি, জিরিবাম, চুরাচান্দপুর, ফেরজোন, কাংপোকপী অমদি থৌবালগী ওইনা ঙসি চেঙ চিং থোক্লদ্রি।

## হোক্কর অমদগী পাউচে লৌবিরো

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (এস এন এস) ঃ

নঙ্গুল মপালদগীনা ককৰা ফাওবগী মনুংদা পাউ চে ফঙহনবগী থৌদাং লৌরম্বা মুতুম পাথৌ এক্সিদেন্ট অমদা শোক্তুনা লৈরে। মরম অদুনা মহাক্লা য়েন্থোক্লম্বা পাউ চেশিং অদু মতম খরগী ওইনা মায়কৈ অসোমদা পুবা হোক্করশিং দগী লৌবিয়ু হায়না মণিপুর হোক্কর এসোসিয়েসন্না আপিল তৌরক্লি।

## সি এম রিলিফ ফন্দদা তেঙবাংখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (এস এন এস) ঃ

রোটরি ক্লব ওফ ইম্ফাল (রোটরি ইন্টর্নেসনেল দিষ্ট্রিক্ট ৩২৪০) না চীফ মিনিষ্টরস কোভিদ–১৯ রিলিফ ফন্দদা লুপা লাক্ষ ১ গী শেনফম মতেং পাঙখ্রে। হায়রিবা শেনফম অসি রোটরি ক্লব ওফ ইম্ফাল ৰি কিয়ার প্রোজেক্টকী মখাদা মতেং পাংবনি হায়না ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট রোটরিয়ান দব্লিউ রবিচন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## চারা তমখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (এস এন এস) ঃ

রিলাইজ রিহেব্লিটেসন সেন্টর (আর আর সি) গী প্রোজেক্ট দাইরেক্তর ৰাঙ্খেময়ুমওলে অমদি প্রেম ওটৈমোইবল সার্ভিসিং সেন্টরগী প্রোভাইদর অমসুং সেলভেসন রিহেব্লিটেসন সেন্টরগী সার্ভিস প্রোভাইদরশিংগা খূৎশন্নদুনা নোর্থ এ ও সি গী মফমশিংদা ককঙওনদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা চারা তমখ্রে।

## য়ূম মৈ চাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (এস এন এস) ঃ

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লিলোং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা লিলোং লৈহাওখোঙদা লৈবা এম দি অব্দুলহৈ ফুন্দ্রেময়ুম কৌবা মীওই অমগী উনা মথক মখা শাবা য়ূম অমা ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ রোম তাবদা মৈনা চাকখ্রে।

য়ূম মৈ চাকপগী পাউ হেক ফঙবগা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ফয়ার সার্ভিসকী ৰাটর টেঙ্কর ২ হান্না চঙশিন্দুনা মৈ কনবগী থবক চখৎখি। মৈ অদু চাওনা চাকপদগী ইম্ফালদগী ৰাটর টেন্দর ২ অমসু চঙশিন্দুনা মৈ কনবগী থবক চখৎখি। অদুবু য়ূম অদুগী মথক থঙবা কা ৫ রোমদি মৈনা তুন্না চাকখ্রে হায়রি। মৈ অদু ঙরাং নুংশিৎনা মরম ওইদুনা মৈ মুৎখিবদগী কেন্দল থানবদগী হৌরকপনি হায়রি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মৈ চাকপা অদুদা লুপা কয়ারোমগী পোৎ চৈ য়াওখ্রবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

## খুঞ্জাশিংনা চানবা মনা মশিং য়েন্থোকখ্রে

কাংপোকপী, এপ্রিল ১৬ (এস এন এস) ঃ

কোভিদ–১৯ না মরম ওইদুনা লোকদাউন চখৎখিবনা মরম ওইদুনা চান থক্লবা ফঙদবগী অৱাবা মায়োক্নরিবা কাংপোকপী অমদি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী থোংলাং অকুৎপগী খুঞ্জাশিংনা অতেকপা মনা মশিং লেম্না য়েন্থোকখ্রে।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটর অমদি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটর খক্তা নত্তনা অতৈ খুন কয়াদসু চৎতুনা দি আই টাটা অমা থনবা মনা মশিং কোয়পু পুদুনা য়েন্থোকখি।

থোংলাং অকুৎপা কোভিদ–১৯ রিলিফ কম্মিটিগী কনভেনর রিভরেল মনিয়া থাইবৌ চরেনামৈনা হায়, থোংলাং অকুৎপগী খুঞ্জাশিংনা ভিলেজ ওথোরিটিগী মীৎয়েং মখাদা পুন্না মিটিং পাঙথোক্লবা মতুংদা জঙ্গলদা চৎতুনা অতেকপা মনা মশিংশিং থিরুরগা অৱাবা তারবা খুঞ্জাশিংগী মতেং ওইনবা লেম্না য়েন্থোকপনি।

রিলিফ কম্মিটিগী মীওইশিংবু কাংপোকপী টাউন্দ কম্মিটি কাংপোকপী টাউন্দ চর্চ ফেলোসিপ, কাংপোকপী ৱুমেন ৰেলফিয়ার ওর্গনাইজেসন্না তরান্না ওকখ্রে।

# ময়াই কাবা পোৎলমশিং য়োল্লিবশিংদা মরী লৈনবশিংনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবিয়ু ঃ কে এস এ

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (এস এন এস) ঃ

হৌজিক কোভিদ–১৯ লায়চৎনা অচৌবা লাঞ্জাওগুল্লবা ফিভম অসিদা চানিঙাই থক্লিংঙাই লৈতদুনা মফম কয়াদা চারা হেন্দুনা লৈরিবা মতম অসিদা ফুরুপ অসিবু টোবেক্কোগী পোখোকশিং ফঙহন্নবা হোৎনরিবা অসি লৈঙাক্কী লো পায়রিবশিংনা য়েংশিনবা ৰাংৎপগা লোয়ননা লৈঙাক্লা থবক লৌখৎত্রিবা করিগীনো হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন্নগী ঐচ আর দি সেক্রেটরী রোমেন সোইবমচানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মহাক্লা মখা তানা হায়, থা অসিগী ৪ দা বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টর্নেসনেল এয়ারপোর্টতগী মশীং য়ান্নবা ক্বা মনা তোঙান তোঙানবা ফ্লাইটতা পুশিল্লকখিবগা অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী লো পায়রিবা এদিস্নেল এস পি (লো এন্দ ওর্দর) অমদি এস দি পি ও শিংজমৈ পি এস না ইম্ফাল ৰেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এস পি গী ওভরওল সুপরভিজন মখাদা ক্বা মনাশিং অদু লৌথোক্তুনা পুলিস কষ্টদিদা থমজিনখ্রে। তোঙান তোঙানবা গোদাউন অমদি মফম কয়াদগী ফাগৎখি।

ইন্দিয়াগী লৈঙাক্কী মখাদা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্‌থ এন্দ ফেমিলি ৰেলফিয়ার (টোবেক্কো কন্ট্রোল দিভিজন) না এপ্রিল ১০, ২০২০ দা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী চীফ সেক্রেটরীশিং দা স্পিট স্মোকলেস টোবেক্কো প্রদক্স, পান মাসালা, সুপারি অমদি মীয়াম তিনবা মফমদা চিন্দগী মহি ওথোকপা য়াবা পোৎশিং কোভিদ–১৯ শন্দোকপা য়াবগী খুদোংচাদবা অমা ওইরকপনা মরম ওইরগা মীয়াম তিনবা মফমদা হায়রিবা পোৎলমশিং অসি য়োন্দনবা ওফিসিয়েল ওইবা চে ইদুনা খঙহনবা লৈখ্রে। ইপিদেমিক দিজিসস এক্ট, ১৮৯৭, দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট, ২০০৫ অমসুং ইন্দিয়া পেনাল কোদ ১৮৬০, কোদ ওফ ক্রিমিনেল প্রোসিদ্যুরনা কোভিদ–১৯ থেংননবা মীওইশিং অদুবু এফ আই আর লৌদুনা ফাবা য়ারবসু মণিপুরদদি ক্বা মনা অমদি হিদাক মনাগী পোখোকশিং মফম কয়া ফোঙনা য়োনবা হেনগৎলক্লি। মসিনা মীয়ামদা মিপাইবা পোকহনবদা নত্তনা নিশা চাবগী চাং হেনগৎহল্লে। মসিদা মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবদা ৰাংৎপদা নত্তনা লৈঙাক্ল মীৎয়েং চঙদ্রিবা করিগীনো হায়খি।

নিশানা হেন্না ইসেন্সিয়েল কম্মোদিটিদগী হেন্না লুম্না লৌদুনা হোৎনরিবশিং অসি করম্না গভর্ণমেন্টনা থেংনগনি হায়বসি থবক থৌরম ওইনা লৌখৎপা মথৌ তারে। ঙসি ফাওবা টোবেক্কোগী পোৎলম য়োনবশিং অদু ফাদ্রিবা করিগীনো হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না ৰাহং অমা ওইনা হংনিংই। লৈকাই মীয়াম্না টোবেক্কো অমসুং নিশাগী পোৎ থেংনবদা লৈকাই ক্লবনা মতেং পাংবিয়ু। লোয়ননা লৈবাক্কী লুরবা তাঞ্জা অসিদা লো ইনফোর্সিং এজেন্সিশিংনা লোগী মতুং ইন্না মীৎয়েং চঙবিয়ু। হোমগী ফমসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টরগী মীৎয়েং চিংশিনখি।

# মহৈরোইশিংদা লিগেল হেলপ পীনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (এস এন এস) ঃ

কোভিদ–১৯ লায়চৎ শন্দোরকপা থেংননবা লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক শিনবা থুংনা লোকদাউন থমখিবদগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুর অমদি অৱাং নোংপোক্কী মহৈরোইশিংদা শকচু খেন্নবদগী তাথি তাওইনা তৌবিবগী পাউ লেপ্তুনা লাক্লিশিং অদু য়েংশিন্নবা মরী লৈনবা ষ্টেটশিং অদুগী লিগেল সার্ভির্সেস ওথোরিটিদা মণিপুর লিগেল সার্ভির্সেস ওথোরিটি (এম এস এল এস এ) না খঙহনখ্রে হায়না লিগেল সার্ভির্সেস অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তানা পল্লিবদি, কোভিদ–১৯ লায়চৎ শাংদোকপা থিংননবা লৈবাক শিনবা থুংনা লোকদাউন থমখিবদগী মণিপুরদা হল্লকপা নংহৌদবা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা পন্দুনা লৈরিবা মরু ওইনা মহৈরোইশিং দা মফমশিং অদুগা চক চু খেন্নবগী নামাদা মখোয়বু তাথি তাওইনা তৌবিবগী পাউ লেপ্তুনা লাক্লি। ফিভম অসিদা মণিপুর অমদি অৱাং নোংপোক্কী মহৈরোইশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদু য়েংশিনবিনবা ষ্টেট খুদিংমক্কী ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিগী মেম্বর সেক্রেটরীশিংদা চে থাদুনা খঙহনখ্রে। লোয়ননা পান্দুনা লৈরিবা মহৈরোইশিং অদুদা মতেং পীগনি হায়বগী থাজবসু পীখ্রে।

মণিপুর হায় কোর্টকী জজসু ওইরিবা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভির্সেস ওথোরিটিগী ইগজিক্যুটিব চিয়ারমেন জষ্টিস কে ঐচ নোবিনগী মায়কৈদগীসু ষ্টেট লিগেল সার্ভির্সেস ওথোরিটিশিং গী এগজিক্যুটিব চিয়ারমেনশিংদা গভর্ণমেন্টকী মতেংগা লোয়ননা পন্দুনা লৈরিবা মহৈরোইশিং অদুদা মীওইবগী মনুংশিংগা লোয়ননা চানা থক্লবা পোৎলমশিং ফঙহনবিনবা অমদি মখোয়বু তাথি তাওইনা তৌবিরিবা মীওইশিং অদুবু ফাগৎতুনা আইনগী ওইবা চৈরাক ফহনবিয়ু হায়না খঙহনখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভির্সেস ওথোরিটিগী মতেং লৌবগী তঙাই ফদবা মরু ওইনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিংনা ই মেল maslsa.imphal@gmail.com অমসুং কন্টেক নম্বর ৯৪৩৬২৩৯৬৬৯ দা পাউ ফাওবিরকপা য়াগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা হায়রি।

লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্কসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পন্দুনা লৈরিবা মহৈরোইশিং অমদি ফ্রন্টলাইনতা থবক তৌরিবা মীওইশিংদা পীবা য়াবা মতেং অমদি চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎতুনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। হৌজিক ফাওবদা লৈঙাক্কী ওইবা ৰেবসাইট তেঙবাং.ইন দা পান্দুনা লৈরিবা মীওই ১৬,৫২৮ রোম রেজিষ্টার তৌরকখ্রে। অমদি মতেং পীবা হৌখ্রে। লোয়ননা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিং মণিপুরদা পুথোকপা য়াহন্নবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু হোৎনরি হায়না মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভির্সেস ওথোরিটিনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা হায়রি।

# কৈথেল য়ৌদ্রিঙৈদা মীয়ামদা ফঙহল্লিবসি মীৎয়েং চঙসি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (এস এন এস) ঃ

মপালদগী পুশিল্লক্লিবা মীওইবনা নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং মপান্দগী পুশিল্লক্লিবা অসি কৈথেল য়ৌদ্রিঙৈদা মীয়ামদা মতৌ করম্না ফঙহল্লিবনো হায়বসি লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়না ইম্ফাল চেম্বর ওফ কর্ম্মর্সনা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল চেম্বর ওফ কর্ম্মর্স, ইম্ফালগী সেক্রেটরী জেনরেল দব্লিউ মঙলেম্মা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরদা কোভিদ–১৯ থেংননবা লৈঙাক্লা চখরিবা লোকদাউন মনুংদা মীয়াম্না শিজিন্নগদবা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা মপান্দগী পুশিল্লকপা পোৎলমশিং কৈথেল য়ৌদ্রিঙৈদা মাংবগী থৌদোক লৈরে। অদুবু পোৎলমশিং অসি মীয়ামদা য়েন্থোকপদি থেংনদ্রি। হায়রিবা পোৎলমশিং অসি কৈথেল য়ৌদ্রিঙৈদা মতৌ করম্না ফঙহল্লিবনো হায়বদু লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙফম থোকই।

লোকদাউন মনুং অসিদা মীয়াম্না কৈথেলদগী পোৎ লৈবা য়োনবগী মওং অসি অঙকপা অমা ওইরে। কৈথেলদা পোৎ লৈবা য়োনবগী মওং অসি হান্নদি হোল সেল দুকান্দগী লোকেল বিজিনেস তৌবশিংনা লৌরগা মীয়ামদা য়ৌহনবনি। অদুবু হৌজিক্না অতোপ্পা মওং অমদা হোল সেলদগী মীওই কাংলূপ অমনা পোৎ লৈরগা লোকেল বিজিনেস তৌবশিংনা য়ৌহল্লে। মসিনা মরম ওইদুনা পোৎকী মমল অদুক্কী মতিক ৰাংলে।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা চেম্বর ওফ কর্ম্মর্সনা মীৎকুপ নাহুম শিংনা পোৎ চৈগী মমল শেন্নগদবদু লোকদাউন ওইখিবদগী মেন পৱার ৰাৎপনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। মরম অদুনা হোল সেলগী হান্না লেপখিবা পোৎকী মমলদগী হেন্না য়োনবিগনু। করিগুম্বা হেন্না য়োল্লম্বা থোক্লবদি লোগী মতুং ইন্না এক্সন লৌগনি। লোয়ননা লৈকাই লৈকাইদা হাংলিবা দুকানশিংদসু পোৎকী মমল হেন্না য়োনবিগনু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

# য়ূম–কৈ অমদি গাড়ী থুগায়রম্বা থৌদোক কন্দেম তৌইঃ কম্মিটি

ইম্ফাল, এপ্রিল১৬(এস এন এস)ঃ

হৌখিবা থা অসিগী ১০গী নুমিদাংদা অন্দ্রো এ সিগী লৈকাই ৭তা য়ূম–কৈ অমদি গারী কয়া থুগায়দুনা অমাং অতা থোকহনখিবগী থৌদোক অকনবা মওং দা য়ানিংদে হায়না ওল অন্দ্রো য়ুথ এক্সন কম্মিটি (এ এ ৰাই এ সি)গী সেক্রেটরি ঐচ নোংপোকঙানবনা ফোঙদোকখ্রে।

হিরমসিগা মরী লৈননা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা নোংপোকঙানবনা হায়, খুল মশেলগী মরক্তা ইমু নাইমু তাননবা অমদি তংদু লৈতাদবা পুন্সি মরেল অমদা লাক–হন্ননবা শিনবিগনু।

মহাক্লা হায়,অসিগুম্বা তমথিরবা থৌদোক অসি থোক্লি ফাওবদা ওল অন্দ্রো মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরিনা তুমিন্না লৈশিন দুনা ৰাহৈ অমত্তা ফোঙদোক্তবসি লাইবক থিবনি। তুংদা অন্দ্রো এ সিদা থোক্লকপা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং দদি পোলিটিক্সকী মমি তাহন্দনা থম্মোয় শেংনা ঙাকহন্নিংই।

অন্দ্রো এ সি মনুং চন্না লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিংনসু থৌদোক অদুগী মতাংদা করি ফিরেপ লৌখ্রবগে হায়না হংবগা লোয়ননা মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোক্লরবদি এ এ ৰাই এ সিনা ফাথদুনা লৈবা ঙম্লোই মরাল লৈবশিংগী মথক্তা চপ চানা থেংননবা শেম শাদুনা লৈরে হায়না মহাক্ল মখা তানা হায়খি।

# কৌব্রু কানবা হোৎনরম্বা ১০ ফারে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (এস এন এস) ঃ

কোভিদ–১৯ লায়চৎ শন্দোরকপা থিংননবা লৈবাক শিনবা থুংনা লোকদাউন থমদুনা মীয়ান্না য়ূম য়ূমদগী হেন্দোক্তনবা লৈঙাক্কী অকনবা ওর্দরশিং থুগায়দুনা কৌব্রু কাবা লাকি–খবা মীওই ১০ রোম লৈকোট এরিয়া য়ুঠ এসোসিয়েসন অমদি কুকী ইনপী কাঙপোকপী দিষ্ট্রিক্টনা ফাগৎলবা মতুংদা মোটবুং পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়না পাউ অমনা হায়রি।

পাউ অদুনা মখা তানা পল্লিবদি, কোভিদ–১৯ লায়চৎ শন্দোরকপদগী মালেম পূম্বদা মীশি–মীনা অমদি অনা–অয়েক কয়া থোকহনবদগী মীয়ান্না মিপাইনরিবা অদু খরমখৈ ফনবা অমদি লায়চৎ অদু শন্দোরকপা থিংননবা লৈবাক শিনবা থুংনা লোকদাউন থমদুনা হোৎনরিবা চৈরক অদুদা হায়রিবা মীওই ১০ অদুনা লৈঙাক্কী ওর্দরশিং থুগায়দুনা কৌব্রু কাবা লাকখিবনি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা চীং কাবা লাকখিবা অদুমক দায়ত্ব য়াওদবা ৰাখল তাদবা মীওইগী লীচৎনি। মখা তানা লায়চৎ অসি নেমথরক্ত্রিবা ফাওবা য়ূম–য়ূমদা লৈবিয়ু হায়না লৈকোট এরিয়া য়ুঠ এসোসিয়েসন অমদি কুকী ইনপী কাঙপোকপী দিষ্ট্রিক্টনা আপিল তৌরক্লি।

লোয়ননা ফাগৎলবা মীওইশিং অদু ৰাহং–পাউহং চখরবা মতুংদা মখা তানা অদুগুম্বা দায়ত্ব য়াওদবা থবককশিং চখদনবা ৰাখল তামিন্নরবা মতুংদা থাদোরকখ্রে হায়না পাউ অদুনা মখা তানা হায়রি।

## ফেসবুক্তা এম এল এগী মমিং হংলুবগী মীওই ৬ ফাজিল্লুরে

ইম্ফাল, এপ্রিল১৬(এস এন এস)ঃ সোসিয়েল মেদিয়া ফেসবুক্তা লম্লাই এ সিগী এম এল এগী মমিং হংবগী ৰাহৈ থাগৎলুবা অমদি কম্মেন্ট পীরুবা চহী নৌরিবা নুপামচা অমা য়াওনা মীওই ৬ পুলিসনা ফারগা কোর্টতা পুথোকপদা কোর্টনা মরাল লৈতে হায়না কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোকখ্রে।

থৌদোকসিগী মতাংদা প্রেসনা ফংবা পাউদা , লম্লাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা পুংদোংবমদগী ৰাকাবম জোতিন (২৬) অপোকপা বিনোই কৌবা মীওই অমনা থা অসিগী ১১দা মহাক্কী ফেসবুক একাউন্টদা ‘লম্লাই কেন্দ্রগী এম এল এগী মমিং করি কৌই, অতৈ কেন্দ্রগীদি খঙই’ হায়না থাগৎলুবগীদমক মহাকপু লম্লাই পুলিস টিম অমনা থা অসিগী ১৪দা ফাখি। মহাক্লা থাগৎলম্বা পোষ্ট অদুদা কম্মেন্ট পিরুই হায়বা চহী নৌরিবা নুপামচা অমা য়াওনা মীওই ৫ অমশু পুলিসনা ঙরাং এপ্রিল ১৫গী অয়ুক অঙনবদা ময়ূমদগী ফাখি।

ফারবা মীওইশিং অদুদি পুংদোংবমদগী থাংজম সনাতোম্বা (২৬) অপোকপা জুগেশ্বর, য়ৌরবুংদগী নিংথৌজম রিসিকান্ত (২৬) অপোকপা রাজেন্দ্রো, পুংদোংবমদগী ইরুংবম ঙৌবী মীতৈ (৩২) অপোকপা ইরাবোট, সেক্তাদগী য়েংখোম সমানন্দ (২৬) অপোকপা ৰাই ইবোহল অমদি পুংদোংবমদগী চহী নৌরিবা নুপামচা অমগনি হায়রি।

ফারবা মখোয় ৬ মক্কী মথক্তা আই পি সিগী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিং পান্দুনা লম্ফেলদা লৈবা চীফ জুদিসিয়েল মাজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা পুথোকপদা মখোয়না ফেসবুক্তা ইরুবা অদুগা পাল্লিবা সেক্সনশিং অদুগা মরী অমত্তা লৈনদে হায়দুনা মখোয় ৬ অদু কোর্টনা কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোকখ্রে হায়রি।

## এন আর ই জি এগী...

*লমায় ১গী মখা...* পীগদবা শেনফমশিং অদু ব্লোক /গ্রাম পঞ্চায়ট লেভেলদা লৈবা দেষ্টিনেসন একাউন্টতা ষ্টেট ফন্দগী ট্রান্সফর তৌগদবনি।

ই এফ এম এস পায়খৎত্রবদি মদু থুনা পায়খৎনবা থবক লৌখৎকদবনি। স্কিম অমদি অন–স্কিম লেবরশিংগী য়াওনা মেটেরিয়েল কম্পোনেন্টগী শেনফম অদু দিষ্ট্রিক্ট লেভেলদা চাদ ৪০ দগী হেল্লোইদৌবনি। শেনফম অসি মহাত্মা গান্ধী এন আর ই জি এগী গাইদলাইনদা পীরিবা হীরম অদু খক্তদা শীজিন্নগদবনি অমদি গাইদলাইনগী ৰাংমদা শীজিন্নবা য়ারোই। লোয়ননা ফাইনান্সিয়েল ইয়ার লোইশিনখ্রবা মতুং থা ১২ গী মনুংদা য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট পীগদবনি হায়বা কন্দিসন কয়া সেঙ্কসন লেট্টর অদুদা ময়েক শেংনা পল্লি।

# কোভিদ–১৯ গী ভেক্সিন পুথোক্লবা ইন্দিয়াগী কম্পেনি তরুক্লা য়াম্না কন্না হোৎনরিঃ ছোর্স

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৬ (এস এন এস) ঃ

মালেমগী লৈবাক কয়াদা পাক শন্না শন্দোক্তুনা মীশি মীনা কয়া থোকহল্লিবা কোভিদ–১৯ গী লায়চৎ অসিবু লায়েংনবা ভিক্সিন পুথোক্লবা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা কম্পেনি ৬ না অকনবা মওংদা হোৎনরি হায়না ফারিদাবাদতা লৈবা ট্রান্সলেসন হেল্‌থ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি ইনষ্টিট্যুটকী এগজিক্যুটিব দাইরেক্তর গগনদীপ কাংনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্লা মখা তানা হায়, হৌজিক ফাওবদা মালেমগী ওইনা ভেক্সিন ৭০ রোম শেমখ্রে। মসিগী মনুংদা ভেক্সিন অহুমদি মীওইবগী হকচাংদা চাংয়েং তৌনবা খঙহনখ্রে। অদুম ওইনমক কোভিদ–১৯ বু মপুং ফানা লায়েংনবা ভেক্সিন অমা পুথোক্তুনা মীয়ামদা পাক শন্না ফঙহনবা অসি হন্দক্কী চহী অসিগী মনুংদদি ঙম্লোইদবগী ফিভম অমদা লৈরি।

হৌজিক লৈবাক অসিদা জাইদুস কেদিলা, সেরুম ইনষ্টিট্যুট, বাইওলোজিকেল ই, ভারত বাইওটেক, ইন্দিয়ান ইম্ম্যুলোজিকেল অমদি এম ৰাই এন ভি এ এক্স হায়রিবা কম্পেনিশিং অসিনা কোভিদ–১৯ গী ভেক্সিন অসি পুথোক্লবা কন্না হোৎনরিবিনি। অদুবু ভেক্সিন অমা পুথোকপা হায়বসিদা টেষ্ট মখল কয়া তৌবা মথৌ তাবা অমদি টেষ্টশিং অসি মতম চঙবা ওইবনা ভেক্সিন অসি থুনা পুথোকপা ঙমদবনি। অতৈ অতোপ্পা লায়না লায়চৎশিংগী ভেক্সিন পুথোকপদা চহী ১০ রোম চঙখিবা অদুগুম্না কোভিদ–১৯ ভেক্সিন পুথোকপদা চঙগদ্রবসু য়ামদ্রবদা চহী অমরোমদি চঙগনি হায়রি।

হিরম অসিগী মতাংদা রাজিব গান্ধী সেন্ট্রেল ফোর বাইওটেক্লিকেল, কেরলাগী চীফ সাইন্টিষ্ট ওফিসার ইশ্রীকুমারনা হায়, ভেক্সিন অমা পুথোকপা হায়বসি মতম য়াম্না শাংনা চঙবা থবক অমনি। মরমদি ভেক্সিন অদুনা মীওইবদা শোকহন্দনবা চাংয়েং মখল কয়া পাঙথোক্কনি। চাংয়েং অমমমদা থা কয়া চঙবসু য়াওরি। মদুগীসু মথক্তা চাংয়েংশিং অসি লোইরবা মতুংদা মীওইবদা চঙদ্রিঙৈদো শা মখল খরদা হান্না অমুক চাংয়েং তৌগদৌরিবনি।

শাশিং অসিদা মায় পাক্লা চাংয়েং তৌরবা মতুংদা মীওইবদা ফেজ মখল অহুম থোক্লা চাংয়েং তৌগনি। হায়রিবা চাংয়েংশিং অসিসু য়ামদ্রবদা থা খরদি চঙবা মরম্না কোভিদ–১৯ গী ভেক্সিন অসি হন্দক্কী চহী অসিদা পুথোকপগী ওইথোকপা লৈতবনি।

হৌজিক মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরস অসিগী ষ্ট্রেন অসি খেন্নবনা মরম ওইদুনা করিগুম্বা ভেক্সিন অসি পুথোকপা ঙম্লবসু মীপুম খুদিংমক্তা কান্নবা পীবা ঙমগদ্রা লোয়ননা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরসকী অনাবা খুদিংমক লায়েংবা ঙমগদ্রা হায়বসিসু অমুক চাংয়েং তৌবগী মথৌ তারি।

হৌজিক মালেমগী লৈবাক কয়াদা কোভিদ–১৯ গী ভেক্সিন মখল কয়া শেমগৎপা হৌনরে। অদুবু হায়রিবা ভেক্সিনশিং অসি অয়াম্বনা হৌজিক ক্লিমিকেল ট্রাইয়েলগী ষ্টেজ ৰানদা লৈরি। মরম অসিনা মপুং ফাবা ভেক্সিন অমা পুথোকপদা মতম কয়া য়াম্না চঙগদগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়খি।

ৱার্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসনগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা মালেমগী ওইনা ভেক্সিন ৭০ রোমগী মনুংদা ভেক্সিন অহুমগী ক্লিনিকেল টেষ্টিং ফেজশিং লাম্থোক্লে। অথুবা মতমদা মীওইবদা চাংয়েং তৌবসু হৌরগনি হায়রি।

মমাঙদা ট্রান্সলেসন হেল্‌থ সাইন্সস অমসুং টেক্নোলোজি ইনষ্টিট্যুটকী এগজিক্যুটবি দাইরেক্তর গাগদীপ কাংনা লৈবাক অসিদা কম্পেনি ৬ না কোভিদ–১৯ গী হিদাক পুথোক্লবা কন্না হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈরবসু ৱার্ল্ড হেল্‌থ ওর্গাইজেসনগী কোভিদ–১৯ গী হিদাক পুথোক্লবা হোৎনবদা মালেমগী ফার্মশিংগী লিষ্টতদি ইন্দিয়াগী ওইনা জাইদুস কাদিলা অমদি সেরুম ইনষ্টিট্যুট খক্তমক য়াওরি।

# ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা দিল্লিদা প্লাজমা থেরাপিনা কোরোনাভাইরস লায়েংবা হৌরে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সি) ঃ

ইন্দিয়াদা ইহান হানবা হৈনা ন্যু দিল্লিগী মেক্স হোস্পিটালদা দাক্তরশিংনা কোরোনাভাইরস লায়েংবা ঙমগনি হায়বগী থাজবগা লোয়ননা প্লাজমা থেরাপিগী লায়েং চখবা হৌখ্রে।

ন্যু দিল্লিগী দিফেন্স কোলোনিদগী ইমুং অমা কোরোনাভাইরসনা নাহনবদগী মেক্স হোস্পিটালদা লায়েংলি। ইমুং অদুগী মপা অদুদি কোভিদ–১৯ না নাদুনা লৈখিদ্রে। মমা অমদি মচানুপী অদু নাবা ফদুনা হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে। অদুগা মচানুপা অদুদি ভেন্টিলেটর হাপ্লগা প্লাজমা থেরাপীগী লায়েং চখরি। হোস্পিটাল অসিনা গভর্ণমেন্টকী অয়াবা লৌরগা লায়েং অসি চখরিবা অসিনা লৈবাক অসিদা অহানবা ওইনা প্লাজমা থেরাপিগী লায়েং চখবনি।

কোরোনাভাইরস লায়েংনবা হিদাক অমত্তা লৈত্রিবনা প্লাজমা থেরাপি অসি অনৌবা লায়েং মখল অমা ওইবা য়াই। চাইনা অমদি সাউথ কোরিয়াদা কোভিধ–১৯ লায়েংবদা লায়েং মখল অসি চখরি।

চৈরক অসিদা ইমুং অদুনা মখোয়গী সেক্যুরিটি গার্দ অদু জম্মাত চৎলি। মরম অসিনা মঙোন্দা কোভিদ–১৯ অসি লৌনরক্লম্বা য়াই। মঙোন্দগী অমুক ইমুং অদুগী মীওইশিংদা লৌনরকপা ওইগনি হায়বা ৰাফম পল্লদুনা পুলিসতা ৰাকৎ চেরোল অমা পীশিনখ্রে।

হেল্‌থ মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অমগী মতুং ইন্না য়ুমশাকৈশা নুমিৎ ফাওবদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবা মশীং ১১,৯৩৩ য়ৌখ্রে। মসিগী মনুংদা ৩৯২ না শিখ্রে। অদুগা ১৩৪৪ না লায়েংলবা মতুংদা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।

## হেন্না শোথরবশিংদা পি পি সি এম না তেঙবাংখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (এস এন এস) ঃ

কোভিদ–১৯ না মরম ওইরগা লমদম অসিদা চৈথেং লোকদাউন অমদি কর্ফ্যুনা মরম ওইরগা মণিপুর মীয়াম্না অঙকপা ফঙনা অৱাবা কয়া খাংলি। নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং লৈনা লৈনা ফঙদবা অমদি নোংমগী শুরগা হিংজবা মীওইশিংনা শেল তনফম লৈতবনা মরম ওইরগা খম থেংনা অৱাবা ঙাংনরি। তোঙান তোঙানবা অশানবা য়ূমদা লৈরিবা মীয়ামদা নোংমদা চঙদ্রজবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং ঙসিসু প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজাভেসন কম্মিটি মণিপুর (পি পি সি এম) না অঙম্বা মতেং পাংখ্রে।

ঙসি কোনুং মমাঙ অমদি মচেং খুল লম্লোঙৈগী অকোয়বদা অশানবা য়ূমদা লৈবা য়ূমদা হনবা ঙমহৌদ্রবা অমদি খুলদা লৈবগী খুদোংচাবা ফঙহৌদ্রবা মীওইশিংদা তেঙবাং পোৎলম য়েন্থোকখি। হায়রিবা মীওইশিং অসি খুন্নাই অসিদা হেন্না খুদোংচাদ্রবা ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইদুনা লায়না অসিগা লান্থেংনরিবা মীওইশিংনি। অৱাবা তারবা মীওইশিং অসি চেক্কোন্দা ১৭ অমদি লম্লোঙৈদা ১৫ পুন্না ৩২ নি।

চেরোলসিনা হায়, অসিগুম্বা হেন্না খুদোংচাদবশিং অসিদা লৈঙাক্ল তেঙবাং কয়া পীরবগে হায়বসিনি। মরু ওইনা সোসিয়েল ৰেলফিয়ার দিপার্টমেন্টনা লৌখৎফম থোকপা থবক খরদি লৌখৎহন্নিংইহায়না পি পি সি এম গী চেরোল অসিনা মখা তারি।

# হোম দিলিভরিগী খুত্থাংদা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মীয়ামদা অচা অথক্কী পোৎলমশিং ফঙহনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (এস এন এস) ঃ

কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুটি কম্মিস্নারনা থোকপা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না তোঙান তোহানবা ফার্ম অহুম্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়ামদা চান থক্লবা পোৎলমশিং অহোংবা মমলদা ফঙহনবা হৌখ্রে।

কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুটি কম্মিস্নারনা থা অসিগী ১৪ দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না হায়, কোভিদ–১৯ না মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা লোকদাউন লৈখিবদগী কোওর্দিনেটিং বোদি খুরাই, ফৌওইবী ইন্টরপ্রাইজ করুচিং অমসুং এস বি আর ইন্টরপ্রাইজ খুরাই হায়রিবা ফার্ম ৩ অসিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়ামগী নোংমদা চঙবা পোৎলমশিং হোম দিলিভরিগী খুত্থাংদা খুদক্তগী ফঙহল্লগনি। হায়রিবা ফার্ম অহুম অসিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়ামদা গ্রোসরি আইটেমশিং অমসুং মনা মশিং অতেকপশিং সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তুনা ফঙহনগনি।

হায়রিবা ফার্মশিং অসিনা এক্সন টেকন রিপোর্ট (এ টি আর) চয়োল অমগী অনীরক থাগৎলক্কদবনি। লোয়ননা নোংমদা চঙবা পোৎলমশিং, হেল্‌থ, হায়জিন অমসুং সেনিটেসনগা মরী লৈনবা পোৎলমশিংসু লোকদাউন মনুং অসিগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়ামদা হোম দিলিভরিগী খুত্থাংদা ফংহনগনি হায়নসু ওর্দর অদুদা পল্লি।

# দাক্তরশিংনা থৌওইদবদগী অনাবা অমা লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (এস এন এস) ঃ

রিমস হোস্পিটালগী দিপার্টমেন্ট অনীগী দাক্তরশিংনা অনাবা য়েংবদা ইন্নরিঙৈদা অনাবা অমা নীংথিনা লায়েং হৌদবদগী লৈখিদ্রে হায়না ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মরাল শিরক্লি। লৈখিদ্রবা মীওই অদু হাওবম মরক কৈশাম লৈকাইদগী নোংথোম্বম মোইরাংলৈমা (৭৬) মপুরোইবা লৈখিদ্রবা এন মঙ্গিনি হায়রি।

হিরম অসিগী মতাংদা লৈখিদ্রবা অসিগী ইমুং মনুংনা ফোঙদোকপদা, লৈখিদ্রবা মোইরাংলৈমা থা অসিগী ৬ তা ঈশিং মরী নুংঙাইতে হায়দুনা রিমস কেজুয়েলিটিদা পুখৎখি। নুমিৎ অদুমা কেজুয়েলিটিদা থম্লবা মতুং এপ্রিল ৮ দা রিমসকী ফিমেল মেদিসিন ৱার্দতা থমদুনা লায়েংবা হৌখি। মফম অদুদা লায়েংবা মতমদা দাক্তরশিংগী মরক্তা অনাবা অদু সর্জরি দিপার্টমেন্টনা য়েংগদবনি হায়দুনা রিফর তৌরকখি। অদুবু সর্জরিগী দাক্তরশিংনদি অনাবা অদু মখোয়গী নত্তে হায়দুনা অমুক হন্না মেদিসিন ৱার্দতা রিফর তৌরকখি। মতৌ অসুম্না দাক্তরশিংনা ইন্নদুনা লৈরিঙৈদা অনাবা অদুদা থাগদবা হিদাকশিং মতম চানা থাহৌদবা অমদি স্পিসিয়েলিষ্ট দাক্তর অমত্তনা লাক্তুনা য়েংবিদবা অসিনা মরম ওইরগা থা অসিগী ১৪ গী অয়ুক অঙনবদা অনাবা অদু লৈখিদবনি হায়রি।

# মেডিকেল ষ্টাফ খুদিংমক থবক কারক্লবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (এস এন এস) ঃ

কোভিদ–১৯ লায়চৎ শন্দোরকপা থিংননবা লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক শিনবা থুংনা লোকদাউন থমদুনা হোৎনরিবা অদুগী মথক্তা তঙাইফদনা ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী য়েংলগা মেডিকেল প্রোফেসনদা থবক তৌরিবা ষ্টাফ খুদিংমক মশা মশাগী পোষ্টিং মফমদা থবক কাবা হৌগদবনি হায়না দাইরেক্তোরেট ওফ হেল্‌থ সার্ভিসেস মণিপুরনা খঙহনখ্রে হায়না পাউ অমনা হায়রি।

পাউ অদুনা মখা তানা পল্লিবদি, তোঙান তোঙানবা ষ্টেট অসিগী মফমদা পোষ্টিং তারিবা ডোক্তর, নর্স অমদি মেডিকেল ষ্টাফ খুদিংমক শুকশোই শোয়দনা থবক কাদুনা মথৌ তৌগদবনি। করিগুম্বা থবক কাদনা লৈরম্বা থেংনরবদি হায়রিবা ইমপ্লোয়ীশিং অদুগী মথক্তা লৌখৎলকপা য়াবা এক্সন লৌখৎকনি। লোয়ননা ইমপ্লোয়ীশিংগী এট্টেন্দেন্স রিপোর্ট অদু চয়োল খুদিংগী মরী লৈনবা সি এম ও, এম এস, পি ও, ঐচ ওশিংনা হেল্‌থ সার্ভিসেস মণিপুরগী দাইরেক্তরদা পীখৎলক্কদবনি।

নাকল অমরোমদা, রুটিন ইম্যুনাইজেসন চখরিবা মেডিকেল ষ্টাফশিংনসু মখা তানা মখোয়গী মথৌ চখগদবনি। টিকা থাবগী থবক থৌরমশিং অদু চখবদা মী পুনশিনহল্লোইদবনি অমদি মীওই অমগা অমগগী মরক্তা থম্ফম থোকপা অরাপ্পশিং অদু ঙাকহনগদবনি হায়না হেল্‌থ এন্দ ফেমিলি ৰেলফেয়ার মণিপুরগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরীনা খঙহনখ্রে হায়রি।

# চীফ মিনিষ্টরনা ওল্ড এজ হোমশিং ...

*লমায় ১গী মখা...* লোকদাউন অসি মে ৩ ফাওবা চখৎগদবা ওইরবসু এপ্রিল ২০গী মতুংদগী করম করম্বা সেক্টরদা কোমথোকপা য়াবা লৈব্রা হায়বদু লৈঙাক্লা য়েংশিনখিগনি।

ভাইরস অসি মী অমদগী মী য়াম্না শন্দোরকপা য়াবনা লৈঙাক্লা কুপ্না য়েংশিনবা চঙই। মরম অসিনা লায়চৎ অসি থেংনবগী থবক্তা মীয়াম পুন্না চঙশিনমিন্নসি হায়খি।

ওইরিবা ফিভম অসিদা কনাগুম্বা খরনা এয়রপোর্টতা ক্বা মনা পুশিনলকখিবা অদুদা ক্বা মনা য়াওরমদ্রে হায়বনচিংবা ফোঙদোরকপা থেংনরে। মসিমক লাইবক থিবনি।

লোনা য়াবা পোৎ ওইরবসু লোকদাউন থুগায়রগা পুশিনলকখিবা পোৎলম ওইবনা মদু লৈঙাক্লা লেম্না থাদবনি। ক্বা মনা পুশিনলকপগীদমক মী ফারগা জেলদা থম্বা লৈখিদ্রি। অদুবু হন্দক্কী ক্বা মনা পুশিনলকপা কাঙবুশিং অদু জেলদা নুমিৎ খরনি লৈখিবনি। ফারবা পোৎলমশিং সেক্যুরিতিশিংনা য়োল্লগা থল্লি। মসিদা পোলিতিক্স তৌবগী মতম নত্তে হায়খি।

হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীৎয়েং চঙগদবা অসি মীয়ামগী চান্নবা কদায়দা ৰাংলি, মীয়াম করি ফংদে হায়বদুনি।

হৌজিক তম্পাক্কী মফম অয়াম্বা ফাওদুনা চেল্লিবা তুরেলশিং ঈশিং লৈতবনা করম্না মীয়ামদা ঈশিং ফংহনগনি। মসি ফাওবদা হৌজিক উমং কোকথোকপা, লম্মৈ থাবগী থবক লেপ্তুনা চখরি। চীংগী ইচিল ইনাউশিং দা হায়রবসু মখোয়গী মচৎনি হায়না লৈথোক্লি। মসিনা ঐখোয়গী তুংলমচৎ লোইগদৌরিবনি। ফিভম অসিদা ঐখোয় চহী তরাগী মতুংদা করি ওইগনি খন্নবা মতম ওইরবনি।

কনাগুম্বা পোৎ মমল হেনগৎনা য়োল্লে হায়না লাওবগী মহুত্তা য়োনলিবা মফম অদু মশক তাকপীয়ু নৎত্রগা লৈঙাক্কী কম্মন কন্ট্রোল রুমদা পাউ পীবিয়ু। লৈঙাক্ল মদুদা থবক লৌখৎকে হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, ৰারবা মতম অসিদা মপান্দা লৈরিবা মীওইশিং অসিগীদমক ঐখোয় খন্দবা য়াদে। লমদম অসিগী মীওই কয়াবু হন্না য়েংবা, করেম কথাইনবনচিংবা চখবদগী প্রাইম মিনিষ্টর মশামক্ত চীফ মিনিষ্টর ময়াম য়াওবা মীফমদা পুথোক্তুনা মসি য়েংশিনবীনবা হায়জখিবনি।

লৈঙাক অসিনা মপান্দা লৈরিবা মীওই লিশিং ১৭ রোম খঙদোক্তুনা রেজিষ্টার তৌরবা মতুংদা মীওই ৩৭৭১ রোমদা লুপা লিশিং ২ মখোয়গী একাউন্টতা কাপখ্রে, মীওই লিশিং ১৫ রোমনা নোংমা নীনি অসিদা কাপ্লগনি হায়খি।

কোভিদ–১৯ থেংননবা লৈঙাক্লা বদজেটকী লুপা ক্রোর ১০ কায়থোক্তুনা থমখিবা অদু হৌজিক লুপা অমা ফাওবা শোক্ত্রি। রিলিফ ফন্দদা দোনেসন তৌরকপা অসিসু লুপা ক্রোর ৩–৪গী মথক্তা লৈরে। কনাগুম্না অমত্তনা কোভিদ ফন্দ অসিগী শেনফমদা লান্না তৌগদবা লৈতে। তৌরল্লবদি লেম্না থারোই হায়খি।

মপান্দা লৈরিবা মীয়ামগীদমক অৱাৎ অপা লৈহন্দনবা হোৎনগনি হায়খি। মখোয়বু ষ্টেট অসিদা পুশিনলকপা য়ানবা প্রাইম মিনিষ্টরতা তরুবদা লৈবাক শিনবা থুংনা লেঙবা য়াদবা ফিভম অমদা লৈবা অসিনা মতম খরা য়েংনবা হায়রকখিবনি। ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মপান্দা পুন্দুনা লৈরিবা মীওইশিং পুরক্লগা ক্বারেন্টিন তৌনবা ফাওবা হোৎনখিবনি হায়খি। হৌজিক মপান্দা লৈরিবা অনাবশিংগী প্রোব্লেম লাক্লে। মখোয়গী লায়েংশেলদা মতেং পাঙবা ঙমদ্রবসু চান্ন থক্লবা শেল কয়া য়াম্না মতেং পাঙবা য়াই হায়বদু খন্নরি হায়খি।

## কংলাদা থৌনি পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (এস এন এস) ঃ

মালেমগী লৈবাক শিনবা থুংনা শন্দোরকপদগী লমদম অসিদসু চৈথেং ফংলিবা কোভিদ–১৯ অসিদগী খরদং ঙাকথোক্লবগীদমক শজিবুগী ২২ নি পানবা থা অসিগী ১৪ দা খারম পল্লেলদা, মতুংদা ঙসি শজিবুগী ২৪ নি পানবদা অনীরকশুবা ওইনা ইনিংথৌগী মীৎয়েং মখাদা পুখ্রম্না লুচিংদুনা পাঙথোকখ্রে।

অহুমশুবা ওইনা নুমিৎ ৭ নি চুপ্না লাংমাচীংদা নৎত্রগা নোংপোক লৈহৌ চীংদা মৈরা কৎতুনা থৌরম পাঙথোক্কনি হায়না সনা কোংনুংগী উত্ত্রা শঙলেনগী সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## মোরেদগী বেঙ্গলুরুদা...

*লমায় ১গী মখা...*অদুগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই অমা খক্তমক চঙবগী অয়াবা পীগনি। মীওই অনী অমদি ড্রাইভর অদু এন্টি পোইন্টতা মেডিকেল টিম অমনা এগজামিন তৌগনি। মখোয়না মণিপুর য়ৌরক্লগা হোম ক্বারেন্টিন তৌদুনা লৈগদবনি। অদুগা ড্রাইভর অদুনা মণিপুরদগী নৎত্রবদি অনাবা অদু থাদরক্লগা খুদক্তা মণিপুর থাদোক্তুনা চৎখিগদবনি হায়বা চৎন–পথাপশিং য়াওরি।

## লাম্নৈ থারকপদগী...

*লমায় ১গী মখা...* ওইদুনা লাকখিবনি। হৌজিক্তি লফু পান্বীশিং তুন্না মাঙ–তাকখ্রবনিনা খুঞ্জাশিং চরা হেনবগী ফীভমদা লৈরে।

কোভিদ–১৯ লায়চৎ শন্দারক্তনবা লৈঙাক্লা লোকদাউন চখ–খিবদগী চখোক–চৎশিনগী পাম্বৈসু থিংজিনখ্রে। লৈঙাক্তা ৰাকৎননবগী মফমসু লৈত্রে। থুনা য়াংনা মণিপুর লৈঙাক্লা খুঞ্জাশিংগী মতেং পাঙবিয়ু হায়না লৈঙাক্কী মতেং নীরক্লি।

পনবা য়াবদি, মণিপুরদা হৌজিক হৌজিক লোকদাউন চখরিঙৈগী মরক্তা চীংগী মফম কয়ামরুমদা লাম্নৈ থাবা মীওই কয়ামরুম থোরক্লে। মখোয়না লাম্নৈ থাবদগী ষ্টেট অসিগী লন ওইরিবা চীংগী লম পূন্নমক ইকোক কোক্লে। অদুবু ঙসি ফাওবা লাম্নৈ থাবদা চেন্নবা মীওই অমা ফাওবা লৈঙাক্লা ফাগৎপা লৈত্রি।